# ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা মোসুলদা লৈবা ১২শুবা চহীচাগী মোস্ক থুগাইখ্রে



বৈজিং, জুন ২২:

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ্না মোসুলগী ১২শুবা চহীচাগী অল নুরি মোস্ক অমসুং মসিগী মমিং চৎলবা অল-হাদবা হায়না খঙনবা অপৈবা মিনরেট থুগাইখ্রে। হৌখিবা অহিংদা গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংনা ষ্ট্রকচরদুগী মনুংদা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখাইহন্দুনা মোস্ক অদু থুগাইখিবনি হায়না ইরাক্কী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ঙসি অঙনবদা ত্বীটরদা ফোঙদোকখিবা অমদা মোস্ক থুগাইরিবদু ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি অদুদা মখোয় মাইথিরে হায়বা য়াজবগী মওংনি হায়খি।

দেইশনা অল-হদবা মিনারেট অমসুং অল-নুরি মোস্কপু বোম্মিং চথ্দুনা থুগাইখিবা অসি মখোয় মায়থিরে হায়বগী ফোর্মেল দিক্লারেসন অমনি হায়না অল-অবাদিনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী অরাবিক এক্রোনিম শিজিন্নরদুনা হায়খি।

মোসুলগী গ্রেট মোস্ক হায়না খঙনবা মোস্ক অদুদা কুমজা ২০১৪ দা আই এসকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদিনা অনৌবা ইস্লামিক কলিফেট অমা লাওথোকখি। মদু মিলিটেন্টশিংনা মোসুলবু লাকশিল্লবা মতুংদনি। ইটালিগী পিসা টৱারগুম্বা অপৈক মিনারেট অদু চহী ৮৪০ হেল্লবনি।

চহী অসিগী ওইনা মুস্লিমশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা অহিংনি হায়না লৌনরিবা লেলাট অল কাদরগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা আই এস গ্রুপ্না মোস্ক অদু থুগাইখিবনি। অহিংগী পৱার হায়না খঙনবা থৌরম অসিনা হৌজিক চথুরিবা মুস্লিমশিংগী শেংলবা রেমাদন থা মনুংদা প্রোফেট মুহাম্মদতা কুরান খঙহনখিবদুবু নীংশিংহল্লি ইরাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ফিফেন্সনা মোসু অদু থুগাইখিবগী পাউ ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা ওনলাইনদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথবদা মোস্ক অমসুং মিনারেট অদু অমাং-অতা থোকখিবনি হায়খি। য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসননা আই এসকী ক্লেম অদু রিজেক্ট তৌখি। কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা য়ু এস অর্মিগী কর্নেল র‍্যান দিলননা এপিদা ফোঙদোকখি মদুদি কোলিসনগী এরিএল সর্ভিলেন্স অদুনা মোসু অদু থুগাইখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌরে, তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী এয়রষ্ট্রাইকনা মদু থোকহনখিবা নত্তে।

মতমদুদা এরিয়াদুদা ঐখোয়না ষ্ট্রাইক চথখিবা লৈতে হায়না দিলন্না ফোঙদোকখি। আই এসকী ফাইটরশিংনা অহানবদা মিনারেট অদু কুমজা ২০১৮ গী জুলাইদা থুগাইনবা হোৎনখি। ষ্ট্রকচর অদু মখোয়না পীরিবা ইস্লামগী ফন্দামেন্টালিষ্ট ইন্টরপ্রিটেসনগা তায়োন্নরে হায়না মিলিটেন্টশিংদুনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি, তৌইগুম্বসুং মোসুলদা মীশিংনা এরিয়া অদুদা থোমজিন্দুনা মদুবু ঙাক শেন্নবা হ্যুমেন চেইন অমা শেমখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা মোসুলগী মনুং অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈবা পুৱারীদা খঙনরবা মফমশিং অমসুং অর্কিওলোজিকেল সাইট দজন কয়া মীতম লাৎপদা মখোয়না পুক্লিং থৌগৎলি হায়রদুনা থুগাইখ্রবনি।

মসি মোসুল অমসুং ইরাক অপুম্বগী মীয়ামগী মায়োক্তা তৌবা ক্রাইম অমনি অমসুং মীনুংশি লৈত্রবা শারমচৎ চৎপা ওর্গনাইজেসন অসিবু পুংমুৎ মুথৎপগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়বগী খুদম অমনি হায়না য়ু এসকী মেজর জেনরেল জোসেফ মার্তিননা ফোঙদোকখি। মেজর জেনরেল মার্তিন অসি ইরাক্তা লৈবা কোলিসনগী গ্রাউন্দ ফোর্সশিংগী কম্মান্দরনি।

## বোম্মিং এতেক মায় পাকহনখিদ্রে

ব্রসেলজ, জুন ২২:

ব্রসেলজগী মথৌ চিনবা ত্রেন ষ্টেসন অমদা মোরোকান পাঙথোকপদা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না বেলজিয়মনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মদু য়ুরোপতা চথুরকখিবা টেররিষ্ট এতেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

ওজেদ কৌবা মীওই অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা নুপা অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অলাহু অকাবর হায়না লাওখি অমসুং ব্রসেলজগী সেনত্রেল ষ্টেসনদা পেসেঞ্জর গ্রুপ অমদা সুইটকেস অমা পোকখাইহন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক এক্সপ্লোসিভশিংদু পোকখাইদ্রিঙৈগী মমাঙদা লান্মী অমনা কাপ্পুনা হাৎখি।

অয়াম্বনা ইম্মিগ্রন্টশিং লৈবা ব্রসেলজগী নৈবরহুদ মোলেনবীকতগী সসপেক্ট অদু মমাঙদা পাঙথোকখিবা এতেক কয়াগা মরী লৈনবা মীশক ওইরবসু টেররিজমগী ওফেন্সকা মরী লৈননা পুলিসনা খঙখিদে হায়রি।

মদু য়াম্না শাথিবা এতেক অমা ওইরম্বা য়াই হায়না বেলজিয়ন ফেদরেল প্রোসিক্যুটরগী স্পোক্সমেন ইরিক ভান দের সিপনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। থৌদোক অদুগী মতাংদা বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টর চার্লজ মিচেলনা ঈ য়ু অমসুং নেটোগী হেদক্বার্টর্স লৈরিবা সিটিদা টেররিষ্ট এতেক অমা থিংহৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

এতেক অদু লন্দনগী মোস্ক অমগী

## ইস্লামিক ষ্টেট মায়থিবা পীরগা য়ুএসনা কর্দশিংদগী খুৎলাই লৌশিনগনি : টর্কি



অঙ্কারা, জুন ২২ (এজেন্সী) :

ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীরবা মতুংদা নোরদর্ন মিলিসিয়াদা ওপরেট তৌরিবা কর্দিশ ৱাই পি জি সিরিয়াদা পীখিবা খুৎলাইশিং লৌশিল্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টর্কিদা খঙহল্লক্লে হায়না অঙ্কারানা শগোলশেন নুমিত্তা বোর্দরদা লৈরিবা কর্দশিংদা খুৎলাই পীশিনবগা মরী লৈননা টর্কিনা নুংনাংলিবা ৱাফমগী মতাংদা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিশ দিফেন্স মিনিষ্টরগী সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসনা মহাক্কী টর্কিগী লেংমান্নবদা ৱাই পি জিদা শীন্নখিবা খুৎলাইশিংগী লিষ্ট অমসু থা খূদিংগী পীরগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবগা লোয়ননা অহানবগী লিষ্ট অদু অঙ্কারাদা থাখ্রগনি হায়বসিসু খঙহল্লক্লে।

টর্কিনা ৱাই পি জি অসি কুমজা ১৯৮গী মতুং চহীশিংগী ময়াই চনবদগী লৈবাক অসিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লাল হৌরকখিবা অথিংবা থমখ্রবা কর্দিশ পি কে কেগী মশা মরেং অমা ওইনা উরি। মমাঙদা ৱাই পি জিদা পীখিবা খুৎলাই অপুম্বা পি কে কেগী খুত্তা য়ৌখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা টর্কিনা হায়খি মদুদি-ফোর্স অসিদা খুৎলাই পীশিনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা থ্রেট অমনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱাই পি জিবু ৱাক্কাদা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীনবগী কেম্পেইন্দা মরু ওইবা মীচং অমা ওইনা উরি। জিহাদিষ্টশিংগী মরু ওইবা অর্বান বেজ ওইরিবা রাক্কাগী লাল চয়োল অনীগী মমাঙদা হৌখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেটতা প্রেসর পীখি। গ্রুপ অসি মসিগী ইরাক্কী ষ্ট্রোংহোল্ড মোসুলদসু মায়থিবগী ফীভম মায়োক্লরক্লিবনি।

মাতিসনা টর্কিশ দিফেন্স মিনিষ্টর ফিকরি ইসিকতা ৱাই পি জিদা পীখিবা খুৎলাই খূদিংমক্কী অকুপ্পা রেকোর্দ অমা থমই অমসুং খুৎলাই পুম্নমক্তু ইস্লামিক ষ্টেটনা মায়থিরবা মতুংদা লৌশিনগনি হায়না থাজবা পীখি সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।

টর্কিশ মিনিষ্টর অদুদা থাবা লেট্টর অমদা মাতিসনা অসুম্নসু ফোঙদোকখি মদুদি, রাক্কাবু নৌনা পায়শিনগদৌরিবা ফোর্সশিংদুগী চাদা ৮০দি আরাব ফাইটরশিং ওইগনি।

## বেঙ্কতা ক্যু লেপ্লিবা সিক্যুরিটি পার্সনল কাঙবুদা কার বোম এতেক চথবদা মীওই ২৯ শিখ্রে

লাস্কর, কাবুল, জুন ২২:

অফঘানিষ্টানগী লাস্কর গাহ সিটিদা ঙসি গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংনা মখোয়গী তোলোব লৌনবা বেঙ্ক অমদা ক্যু লেপ্লিঙৈদা মপাঙ্গল লৈরবা কার বোম অমা পোকখাইরকখিবদা মীওই ২৯ শিখ্রে। মদু শেংলবা রেমজান থা মনুংদা চথবা খ্বাইদগী নৌবা অমসুং শাথিবা এতেকনি।

ন্যু কাবুল বেঙ্কতা বোম্মিং অদু চথুরকখিবা মতুংদা য়ামদ্রবদা অশোকপা মীওই ৫০ রোম হোস্পিটালদা পুখৎখি। মদুনা ভেহিকল কয়া মথক মখা ওন্থোকখি, এরিয়া অদু মৈ চাকথোকখ্রবা অকাই অতোইশিংনা ৱাই চাইহনখি অমসুং অতিয়াদা অচৌবা মৈখু মপৈ কাখৎহনখি।

শথিরবা এতেক অদু গ্রুপ অমৎতনা মখোয়গী খুৎনি হায়না হৌজিক ফাওবদি ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং মদু গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী রামদান মনুংদা সিজফায়র লাওখ্রবসু টালিবাননা লৈবাকশিন থুংনা মখোয়গী স্প্রিং ওফেন্সিং কনখৎলকখিবগা চাননা চথুরক্লিবনি।

ব্লাষ্ট অদুদা মীওই ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫০ অশোক অপন নংখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন ওমার জৱাকনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।



বোম অদু বেঙ্ক অদুগী মপান্দা মখোয়গী তোলোব লৌনবগীদমক্তা পরেং লেংখিবা মীচমশিং অমসুং গভর্ণমেন্টগী ইমপ্লোয়িশিংগী মরক্তা পোকখাইরকখিবনি। বেঙ্ক অদু রামজান লোইবগী ইদকী হোলিদেশিংগী মাংওইননা মী চীনখি হায়না লৌনরি।

চহী কয়ামুক লাস্কর গাহনা কেপিটেল ওইবা হেলমস প্রোভিন্স অসি অফঘানিষ্টান্দা নোংচুপ লোমগী মিলিটরি ইন্টরভেন্সনগী মরু ওইবা মফম অমা ওইখি তৌইগুম্বসুং হন্দক্তা লমদম অসিদা ইরাং কনবগী ফিভম অমা লাকখি।

ওপিয়ম মরাং কাইনা লোক্তুনা লালহৌবগী থবকশিং ফান্দিং তৌবগী ফীভম লৈবা প্রোভিন্স অদুগী চাওরবা মফম কয়া লালহৌবশিংনা কনত্রোল তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়না লাস্কর গাহবুসু পাইশিন্নবা হঞ্জিন হঞ্জিন হোৎনখ্রবনি।

টালিবানননা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ গী মনুংদা ১০ নিংথিনা কনত্রোল তৌরিবা হেলমন্দ অসি হৌখিবা চহী ১০ হেনবরোমসিদা বৃটিশ অমসুং য়ু এসকী ত্রুপশিংগী খ্বাইদগী শাথিবা প্রোভিন্স ওইরকখি।

হৌখিবা চহীদা নাকল অনীগী মরক্তা লাল কনশিল্লকখিবদগী মীওই লিশিং কয়া থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাস্কর গাহদা চেনশিন্নখি।

## ওতো ৱার্মবিয়র লৈখিদবগী অরোইবা থৌরম মহাক্কী হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি



চিকাগো, জুন ২২:

নোর্থ কোরিয়ানা চহী অমা হেন্না জেলদা থম্লগা ময়ুমদা কোমাদা থারকখিবা মতুংদা লৈখিদ্রবা য়ু এসকী কলেজ তম্লিবা মহৈরোয় ওতো ৱার্মবিয়র শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী হোম ষ্টেট ওহাইওদা লৈরোল চল্লগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী পোলিটিকেল পোষ্টর অমা হুরাল্লুবগীদমক্তগনি হায়দুনা থবক কন্না শুহন্নবগী চৈরাক পীখিবা মশাগী চহী ২২ গী নহা অমা ওইরিবা ৱার্মবিয়র থা ১৮ ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা মেদিকেল গ্রাউন্দদা কোমাদা থাদোরকখিবনি।

ব্রেন দেমেজকা হেন্না থোকপদগী মহাক হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী হোমটাউন সিনসিন্নাটি, ওহাইওদা শিখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ৱার্মবিয়রবু ফাজিনখি। মদুগী মতুংদা শিখিবদু য়াম্না ইকাইনিঙাই থৌওং অমনি হায়খি।

ৱার্মবিয়রগী অরোইবা লাইশোন তিনশোনশিং অমসুং অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরমদু সিটিদা লৈবা ৱায়োমিং হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি। মহাক হায় স্কুল অসিদগী কুমজা ২০১০দা গ্রেজুয়েসন ফংখিবনি। থৌরম অদুগী মতুংদা মহাক সিনসিন্নতিগী ওক হিল সেমিত্রিদা ফুমগনি।

লৈখিদ্রবা ওতোনা হন্দক ময়ুমদা হল্লকখিবা মতুংদা ৱার্মবিয়রগী ইমুংবু শৌগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা হায় স্কুলদুগী মচুশিং ওইরিবা হিগোক অমসুং অঙৌবা মচুগী রিবনশিং সিটি অদুদা হৌরিবা উ ৮০০০ রোমদা হৌজিক ফাওবা পুন্দুনা লৈরি।

ৱার্মবিয়রগী মপা ফ্রেদনা মমাঙদা পাউমীশিংদা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক্কী মচানুপাদু অতৈ য়ু এসকী টুরিষ্টশিংগুম্না চাইনাদা বেজ ওইবা টুরিষ্ট গ্রুপশিংনা শিন্দুনা নোথ কোরিয়াদা চৎখিবনি।

মখোয়না অমেরিকানশিংবু মফমদুদা চঙনিংবা পোকহল্লি অমসুং মখোয়না মখোয়বু (অমেরিকানশিংবু) হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিনবগী মওংদা থমই অমসুং মখোয়না অপাম্বশিং তৌহল্লি। মসিমক্তি ঐহাক্কী ইচানুপাদা থোক্লিবসি হায়না ফ্রেদনা মখা তাখি।

নোর্থ কোরিয়াদগী ময়ুম পাংনবা হোৎনরিঙৈদা ৱার্মবিয়রবু ওথোরিটিশিংনা ফাখিবনি অমসুং ২০১৬ গী মার্চতা চহী ১৫ থবক কন্না শুহল্লগা থম্বগী চৈরাক পীখিবনি। মদুগী মতুং মহাক্কী ইমুংনা মহাক্কী মরাইবক্কী মরমদা করিমত্তা তাখিদ্রবনি হায়রি।

## পোর্টুগলগী উমংদা লাম্মৈ চাকপগী ফিভম লাকশিল্লে: রিপোর্টিং

লোইস, পোর্টুগল, জুন ২২:

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তগী পোর্টুগলগী উমং কয়াদা লাম্মৈ কন্না চাক্লকখিবদু শগোলশেন নুমিৎতা লাকশিনবা ঙম্লে হায়না সিভিল প্রোটেক্সন এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে। মীওই ৮০ হেনবগী পুন্সি লোমহনখিবা অচৌবা উমংগী মৈজাও অদু অহানবদা পেদ্রোগাও গ্রান্দেদগী হৌখি অমসুং মৈদু গোইস, পাম্পীলহোশা দা সেরা অমসুং অর্গনিল য়াওনা থংনবা এরিয়াশিংদা শন্দোকখি।

পেদ্রোগাও গ্রান্দেগী একর ৮৪,০০০ পাক চাওবা মফমশিং মাংহন তাকহনখিবা অচৌবা লাম্মৈ চাকপদু য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা লাকশিনবা ঙমখি।

পেদ্রোগাও গ্রান্দেগী মতুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ওইখিবা গোইসকী লাম্মৈ চাকপদু শগোলশেন নুমিৎতা লাকশিনবা ঙমখি হায়না মৈ মুথৎপগী ওপরেসনশিং অদুবু লুচিংখিবা সিভিল প্রোটেক্সনগী ওফিসল কার্লোস টাভারেসনা ফোঙদোকখি।



অদুম ওইনমক মহাক্না মৈ খরা অমুক হন্না চাকখৎলকপা য়াই হায়নসু চেকশিনৱা পীখি। টাভারেসনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, গোইসকী মৈ চাকপদুদা পুন্না হেক্তর ২০,০০০ শোকহনখি। মৈ লাকশিন্নবগী থবকশিং অদুদা ফায়রমেন ২,৪০০ রোম অমসুং ৱাটর বোম্মিং প্লেনশিংনা শরুক য়াখি।

প্রেস রিপোর্ট কয়ানা পোর্টুগলগী ফায়র প্লান চহী মরি রিভাইজ তৌরকখিদ্রে অমসুং অকনবা মৈশানা কম্যুনিকেসন এন্টিনা খরা হেন্না তৌহল্লম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

লিগ ওফ ফায়রফাইটর্সকী প্রসিদেন্ট জাইম মার্তা সোরিসনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা হন্না পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী ওন্ন তৈনবদা অতম্ননা মৈ থাবদগী চাওরবা লাম্মৈ চাকপদু থোকখিবনি হায়বগী থাজবা মঙোন্দা লৈ হায়খি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুলিসকী চিফ অলমৈদা রোদ্রিগিজনা অতম্ননা মৈ থাবগী ৱাফম য়াখিদে অমসুং নোংথাংনা য়ৈবা ঊ অমসু থেংনরে হায়রি। নুমিৎ অদুদা অখাক অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎকী অকনবা শাহুম অদুনা ঊমং অদুদা লাম্মৈ চাক্লবগী চাউরবা মরমসু থোকহনখিবনি হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

**SSC RECRUITMENT – STAFF SELECTION COMMISSION STENOGRAPHER GRADE C & D EXAMINATION 2017 LAST DATE 15 JULY 2017**

**SSC Recruitment 2017**

Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Stenographer Grade C & D Examination 2017 for the recruitment of Stenographer. Apply Online before 15 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Advt No. :** F.No.3/6/2017-(P&P-II)

**SSC Job Details :**
**Post Name :** Stenographer Grade C & D Examination 2017
**No of Vacancy :** Not Specified
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/- OR Rs.5200-20200/-

**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**

**Educational Qualification :** Candidates Must have passed 12th Standard or equivalent from a recognized Board or University.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 18 to 27 years as on 01.08.2017
**Age of Relaxation :** SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PH Category 10 years

**Job Location :** All India

**Selection Process :** Selection based on Computer Based Written Examination & Skill test.

**SSC Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply SSC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through SSC website http://ssconline.nic.in OR http://ssc.nic.in from 17.06.2017 to 15.07.2017 till 5.00 PM thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date For Submission Of Online Application:** 17.06.2017
**Last Date For Submission of Online Application:** 15.07.2017
Last Date for Submission of Application Fee by Challan : 18.07.2017
**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/NoticeStenoC&D2017_17062017.pdf

**Apply Online :** http://ssconline.nic.in/

**NABARD Recruitment – National Bank for Agriculture and Rural Development – 91 Assistant Managers Vacancy – Last Date 10 July 2017**

**NABARD Recruitment 2017**

National Bank for Agriculture and Rural Development (NABARD) invites Applications for the post of 91 Assistant Managers in Grade 'A' (RDBS) in various Discipline. Apply Online before 10 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NABARD Job Details :**

**Post Name :** Assistant Managers in Grade 'A
**No of Vacancy :** 91 Posts
**Pay Scale :** Rs.28150-55600/-

**Discipline wise Vacancy :**

**General :** 46 Posts
**Economics :** 05 Posts
**Agriculture :** 06 Posts
**Agriculture Engineering :** 02 Posts
**Plantation & Horticulture :** 04 Posts
**Animal Husbandry :** 05 Posts
**Fisheries :** 03 Posts
**Food Processing :** 03 Posts
**Forestry :** 03 Posts
**Environmental Engineering :** 03 Posts
**Water Resource Development & Management :** 04 Posts
**Social Work :** 02 Posts
**Chartered Accountant :** 03 Posts
**Company Secretary :** 02 Posts

**Eligibility Criteria for NABARD Recruitment :**

**Educational Qualification :**

For General : Bachelor's Degree in any subject from a recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Post Graduate degree with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Ph.D OR Chartered Accountant /Cost Accountant / Company Secretary with Bachelor's degree OR Two year full time P.G. Diploma in Management / full time MBA degree from institutions recognized by GOI / UGC with Bachelor's Degree in any discipline.

For Agriculture : Bachelor's Degree in Agriculture from any recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants – 45%) in aggregate or Post Graduate degree in Agriculture with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate.
**Notice :** all others discipline wise qualification as per official notification
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 21 to 30 years As on 01.06.2017

**Job Location :** Mumbai (Maharashtra)

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Online Examination, Main Online Examination & Interview.

**Application Fee :** SC/ST Candidates have to Pay Rs.150/- & Rs.800/- for all others Candidates through Master/Visa/Rupay Debit or Credit Cards or Internet Banking, IMPS, Cash cards/Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.

**How to Apply NABARD Vacancy:**

Interested Candidates may apply Online through the website https://www.nabard.org from 19.06.2017 to 10.07.2017.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 19.06.2017
**Last Date for Submission of Online Application & Fee :** 10.07.2017
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** https://www.nabard.org/auth/writereaddata/CareerNotices/1906175837Advt%202017-Grade%20A Final%20for%20website% 2016.33% 20hrs%2019%20June.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/nabardrdbsmay17/

HL-B/3834/27/04-27/05